কোর্টনা পি দব্লিয়ু দিগী...

লামায় ১গী মখা... প্রোসিদিংগী মতুংইন্না মরক্কী ওইবা ওর্দরদা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা পি দব্লিয়ু দিগী সেক্সন ওফিসর গ্রেদ-ৰান (দিগ্রী অমসুং দিপ্লোমা)শিংগী অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবা টেন্টেটিভ সিনিয়রিটি লিষ্টকী ফাইনেলাইজেসন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়বু এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র/এ এস দব্লিয়ুদা প্রমোসন পীনবগীদমক দি পি সী অমত্তা পাঙথোক্তনবা খঙহনখি। লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিংশিং চথনবগীদমক অমুক হন্না ফেব্রুৱারী ৪, ২০২০ দা কেস অসি লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিদা পিটিসনরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচএস পাওনমনা লেপখি।

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL →	**AGARTALA**
Air Asia (India)	15:50
IMPHAL →	**DELHI**
Air Asia (India)	13:45
IndiGO	14:30
IMPHAL →	**GUWAHATI**
IndiGO	09:45
Air Asia (India)	11:15
IndiGO	14:15
Air India	14:20
IMPHAL →	**KOLKATA**
IndiGO	10:50
Air India	13:25
IndiGO	14:25
Air India	15:00
IndiGO	15:20
Air India	16:45

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.559491
US Dollar	71.365006
British Pound	93.298484
Australian Dollar	49.760691
Chinese Yuan Renminbi	10.202597
Japanese Yen	0.651556
Malaysian Ringgit	17.291752
Australian Dollar	49.760691
Singapore Dollar	52.768449
South Korean Won	0.061510
Saudi Arabian Riyal	19.030668
Thai Baht	2.366678
Myanmar Kyat	0.04810
Bangladesh Taka	0.84123

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	Rs	39721.93
Mumbai	Rs	40588.24
Delhi	Rs	40534.76
Kolkata	Rs	40770.05

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE
Booking Upto: 04/11/2019
Valid From: 25/10/2019
Stk : 612 (CTC)
Timing: 06.30 am to 10.00 am

HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE
Booking Upto: 23/11/2019
Valid From: 20/11/2019
Stk : 306

K & K INDANE SERVICE
Sl. No. Upto – 150
Booking Upto: 07/11/2019
Valid From: 04/11/2019
Stk : 612
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

LAMSANG GAS AGENCY
Booking Upto: 26/10/2019
Valid From: 24/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

MAIBIA GAS, MOIRANG
Sl. No.: 4451 – 4900
Booking Upto: 02/11/2019
Valid From: 30/10/2019
Stk : 270
19 Kg Stk : 24
Timing: 07.00 am to 11.00 am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto: 21/10/2019
Valid From: 19/10/2019
Stk : 612
Timing: 07.30 am to 09.30 am

M/S MANIPUR POLICE GAS
Sl. No. : 1 – 50
Booking Upto: 11/11/2019
Valid From: 06/11/2019
Stk : 306 (CTC & DNSC)
Timing: 10.00 am to 01.00 pm

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto: 30/11/2019
Valid From: 18/11/2019
14.2 Kg Stk : 612
19 Kg Available
Timing: 07.00 am to 11.00 am

R & H, IRILBUNG
Booking Upto: 24/10/2019
Valid From: 16/10/2019
Stk : 612
Timing: 08.00 am to 11.00 am

RBD INDANE GAS
Booking Upto: 06/11/2019
Valid From: 23/10/2019
Stk : 612 (Only CTC)
Timing: 07.00 am to 10.30 am

KHUMBONG INDANE
Booking Upto: 05/11/2019
Valid From: 04/11/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.30 am

LOKTAK INDANE GRAMIN VITRAK, THANGA
Booking Upto: 03/12/2019
Stk : 210
Timing: 07.30 am to 11.00 am

‘দিমোক্রেসিদদি চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর, এম এল এশিং অসি থোকউদা থোকপা য়াইগুম্বনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):

দিমোক্রেসিদদি চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর, এম এল এশিং অসি থোকউদা থোকপা য়াইগুম্বনি হায়না রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়ার (এ) অম্বেদকর মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সাপম শামুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লমদম অসিগী এম এল এশিং য়াম্না তোল্লি হায়না এম এল এ অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক পোলিটিক্স তৌরিবশিং অমদি মীয়াম মীকপ থোক্লো হায়বগুম্বনি। ৱাকচিংদা খিকপা নোংলিক্কুম্বনি। এম এল এবু ঈকায় খুম্নদবা হায়বসি দিমোক্রেসিবু খোঙ্গাওনবা অমনি। ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিং থওইদবা কয়া থোক্লকপা তারবদি মরম অমা শোয়দনা লৈফম থোকই। দিমোক্রেসিদা মীপুম খুদিংমক মান্নবা রাইট পীরি। রাইট অদুগী মনুংদা মীপুম খুদিংমক চহী ১৮ শুরবদি ভোট থাদবগী রাইট লৈ। মীওই অদু পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সনদা ভোট লেপ্পা য়ারে। কন্সষ্টিট্যুসন্না পীবা রাইট অমনি। ভোটরশিংনা মীয়ামগী খল্লগা এম পি নৎত্রগা এম এল এ থাগৎপা কয়া চথরিবনি। দিমোক্রেসিগী মখোঙ অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা লেজিসলেচর এম এল এ অমনা মহাক্কী ৱাবু এগজিক্যুটিভ কাঙবুনা তাবীদে হায়বগী ৱাকৎ পব্লিক প্লেটফোর্মদা থন্নকপা হায়বসি লমদম অসিগী লৈঙাক্তা চাউনা অহোংবা লৈরে হায়বদা অরানবা ৱাফম ওইগদ্রা হায়বা ৱাফম লাক্লি।

মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এ ফাওবা থওইদ্রবদি লমদম অসিদা মীচম মীয়ামদি করম তৌগনি হায়বসি খনফম থোকই। এম এল এশিং, এম পিশিংনা খন্থদুনা য়েংবীয়ু। এম এল এ অমনা সী এম য়াওবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি মীয়ামগী ওইনা অফবা অমনি। এম এল এ অদুগী থৌনা অদু আর পি আই (এ) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা থাগৎলি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী এম এল এবু লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীনা থওইদবা হায়বসি এম এল এগী প্রিভিলেজ শোকপা ৱাফম ওইফম থোকই। এম এল এশিং অমসুং মিনিষ্টরশিংনা নীংথিনা থবক তৌবা তাই। দিমোক্রেসিদদি চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং থোকউদা থোকপা য়াইওইবগুম্বনি। এম এল এ অমনা লমদম অসিগী এম এল এশিং য়াম্না তোল্লি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি খন্থবীবা চুমগনি। দিমোক্রেসিদা মীপুম খুদিংমক্কী রাইট পীরি। ভোট থাদবগী রাইট ফংলবা চহী ১৮ শুরবা ভোটরশিংনা ভোট পীরগা মীয়ামগী মীহুৎ খল্লক্লিবনি। পার্লিয়ামেন্টকী মীখল নৎত্রগা ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখলদা মীয়ামগী ভোট থাদবগী রাইট অদু শীজিন্নরগা মীহুৎ খল্লক্লিবনি। দিমোক্রেসিগী মখোঙ অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা লেজিসলেচর অমগী য়াথং পাঙথোক্লবা লৈরিবা এগজিক্যুটিভনা ৱা তাবীদে হায়বা ৱাকৎ পব্লিক প্লেটফোর্মদা থন্নক্লিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

দিষ্ট্রিক্ট অনীগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না চথরক্লিবা ইলেক্টোরেল রোলশিংগী স্পেসল সম্মরি রিভিজনগী থবকশিংগা মরী লৈননা থা অসিগী ৩০ গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তারকপদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী কনফরেন্স হোলদা চুড়াচান্দপুর অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা নেসনল অমসুং ষ্টেট লেভেলগী শকখঙলবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াগদবা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি।

মসিগী মতাংদা ঙসি এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (এ দি সী), চুড়াচান্দপুর থাংবোই গাংতেনা ওফিসল ওইবা নোটিশ অমা থোকখ্রে।

নোটিশ অসিগী মতুংইন্না পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসি থা অসিগী ১৭ তা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনা পীরকখিবা দিরেক্সন অমগী মতুংইন্ননি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীটিং অসিদা ঈ সী আইগী মায়কৈদগী ওবজার্ভরশিংসু শরুক য়াগনি। লোয়ননা ইলেক্টোরেল রোলশিংগী স্পেসল সম্মরি রিভিজনগী ক্বালিফাইয়িং দেট অসি মথং চহীগী জন্যুৱারী ১ দা ওইরিবনি হায়রি।

সোটিনকুমার কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):

সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়না অঙ্গনৱাদি ৱার্করস এন্দ হেল্পরস য়ুনিয়ন, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট আই সনাতোম্বীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সী এ এ চৎনহনবা য়ারোই হায়দুনা ইন্দিয়াগী লেফ্ট পার্টিশিংনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু লেফ্ট পার্টি মরিনা থা অসিগী ১৯ দা কৌখিবা য়াম্না দেম্মক্রেটিক ওইবা মওংদা চত্থিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্তা শিন্নী মীয়ামগী লুচিংবা এল সোটিনকুমার হৌজিক হৌজিকমক এ আই টি য়ু সীগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইবতা নত্তনা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি ওইরিববু ষ্ট্রাইক লোইরবা মতুং নোংঙানবা নুমীৎ দিসেম্বর ২০দা লম্বীদা মণিপুর পুলিসনা ৱারী শানসি হায়দুনা পুথোকখ্রগা ফাজিনখিবা লোয়ননা দিসেম্বর ২১ দা কোর্টনা থাদোকখ্রবসু নম্বোল পুলিসনা কোর্টগী গেট মমাঙদা ফাজিনবীখি।

মখা তানা জুদিসল কষ্টদিদা নুমীৎ ১৫ নি থম্নবগী ওর্দর থোকখিববু য়ুনিয়ন অসিনা কন্দেম তৌই। মহাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা চার্জ কয়া পানশিল্লিবসি মরম চাদে। মরম চাদনা পুলিস ষ্টেসন অমদগী অমদা অমুক অমুক দিটেন তৌবগী চৎনবী অমা মণিপুরদা লৈরিবসি অঙকপা ফাওই। মহাক ক্রিমিনেল নত্তে, শিন্মীশিংগী য়াইফনবা খঙবা লুচিংবনি। মহাকপু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীরক্লবা য়ুনিয়ন অসিনা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা আপিল তৌরি হায়নসু অঙ্গনৱাদি ৱার্করস এন্দ হেল্পরস য়ুনিয়ন, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট আই সনাতোম্বীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

মণিপুর মীয়াম্না য়ানিংদবা সী এ এ...

লামায় ১গী মখা... নোং খন্ননবা আই এল পি কৌবা ছাটিন মচা অসিদা ব্রজগুম্বা সী এ এ তাশিল্লক্লবদি আই এল পিনা কৈদৌরুগনি।

আই এল পিগুম্লবা পীকখ্রবা এক্টকী ঙাক্লৌ অসিনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংবু ঙাকথোক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা বি জে পিনা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৯দা সী এ এ শৌগৎতুনা মাস রেল্লি চৎকনি হায়রিবা অসি মরম চাদব্রা খল্লি। চৎকদৌরিবা রেল্লি অসিনা অমুক করি ফোঙদোক্লিংলিবনো। মণিপুর মীয়াম্না য়ানিংদবা সী এ এ অসি এক্ট ওলহনবা ঙম্বগী মীয়ামগী মায়োক্তা চৎপা রেল্লি ওইগদৌরিব্রা নৎত্রগা সেন্টরদা লৈরিবা লুচিংবশিং পেন্নবা ওইরিব্রা। ফীভম অসিদা মীয়াম্নসু ৱাখল মুন্না খন্থরগা খোঙথাংবা মথৌ তাই। মেনপেককী ওইনদি ঙসিসু লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংদা চাউনা অকায়বা পীগদৌরিবা তমথীরবা সী এ এগী মায়োক্তা লেপ্পুনা লৈরি। মণিপুর লৈঙাক্লসু হান্না লেপখিবা ফিরেপ অদুদা লেপহন্নিংই। মতম-মতমগী ওইনা হোংদুনা লৈঙাক্লা অচেৎপা ফিরেপ লেপত্রবসু চহী কয়াদগী য়াম্না ময়েক শেংনা সী এ এ অসি য়ানিংদে হায়না মেনপেক, সী এস ওশিং অমদি মণিপুর মীয়াম খোঙজং চঙশিনমিন্নরকখিবনি। অসিগুম্লবা এক্ট অসিগী মায়োক্তা হান্না লেপখিবা ফিরেপ অদু হৌজিকসু চেৎনা লেপমিন্নখিসি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফ্রী হার্ট কেম্প পাঙথোকখ্রে...

লামায় ১গী মখা... চেরোল অমনা হায়, ঙসি উৎলৌ ময়াই লৈকায় সী ঐচ সীদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ফ্রী হার্ট কেম্প অদুদা লেম্না লায়েংখি। ইকো কার্দিওগ্রাফি, ঈ সী জিনচিংবসু লেম্না য়েংখি। লেম্না দাইবেটিস দিটেক্সন টেষ্টসু তৌখি। হীদাক লাংথকসু লেম্না ফংহনখি। অনাবা মীওই ৯৬ রোম লায়েংখি। অনাবা মীওই ১২ দা লেম্না ইকো স্ক্রিনিংগী খুদোংচাবা ফংহনখি। মীওই ৩৪দা লেম্না ঈ সী জিগী খুদোংচাবা ফংহনখি। মীওই ২৯ দা দাইবেটিস দিটেক্সন টেষ্ট তৌখি। চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাং অমা সী ঐচ দি দিটেক্ট তৌখি। হার্ট ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট ডা. এল শ্যামকিশ্বরনা অসিগুম্বা কেম্প অসি মফম কয়াদা পাঙথোকখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ত্রিপুরাদা নট সঙ্কীর্ত্তন অমসুং দিবারাস ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী, ইম্ফালগী মতেং লৌরগা মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরানা শীন্দুনা অগরতালাগী তরৌ মৈতৈ খুন্দা লৈবা শ্রীরাধামাধব দেবতা বাড়ী মান্দপতা মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তন অমসুং দিবারাস ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে।

মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদু খুন্নাইগী মশক নাইরবা হিজম হারান, দান্স একাদেমীগী গুরু বি গোপাল শর্ম্মা, গুরু কে ঐচ কীর্তি, গুরু এন উপেন্দ্র, গুরুহন কে ঐচ য়াইমবী অমসুং মরুপ পাউচেগী জোইন্ট এদিটর আর কে তরুনজিৎ, ফোরমগী সেক্রেটরি খোইস্নাম মঙ্গোলনা শরুক য়াখি।

নুমীৎ ১৫ নি চত্থগদবা ৱার্কশোপ অসিদা দিবারাসতা ১৬, নট সঙ্কীর্ত্তনদা পূংদা মঙা অমসুং ঈশৈদা ১০ শরুকয়ারি। মথং চহীগী জন্যুৱারী ১১ দা ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম দান্স একাদেমীগী দিরেক্টর অমসুং মশক নাইরবা মণিপুরগী মীওই কয়ানা শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কুমজা ২০১৬তগী নফসাগী চেঙ ফংদ্রে...

লামায় ১গী মখা... অদুবু ফংফম থোকপশিং অসিদি ঙসি ফাওবদা ফংহনবীদনা লৈরকপনি হায়রি।

কম্মিসনননা পিটিসন অসি লৌখৎলগা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন- ১২গী মখাদা ইনক্বারি চথনবগীদমক কমপ্লেন্ট কেস নম্বর- ১৫৪ ওফ ২০১৯ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে।

লোয়ননা ঙরাং কম্মিসনগী এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা পিটিসন অসি লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। ঙরাং চত্থিবা কেস অসিগী প্রোসিদিংগী মতুং-ইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি, দেপ্যুটি কম্মিস্নর (ইম্ফাল ৱেষ্ট), দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসর (ইম্ফাল ৱেষ্ট) অমসুং ৱাঙ্গোই এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর- ২২/২৮- চোংথাম কোনাগী ফ্যের প্রাইস শোপকী মায়কৈদগী ৱাকৎসিগা মরী লৈনবা রিপোর্টশিং মথং থাগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা কম্মিসনদা পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি। কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিংসু নুমীৎসিদা পাঙথোক্লবা লেপখ্রে হায়রি।

পুলিসকী সব-ইন্সপেক্টর ৫২বু...

লামায় ১গী মখা... ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৪ অমসুং ১৬না পীরিবা রাইট টু ইক্বেলিটিগী প্রোভিজনশিং ভাইয়লেট তৌরে।

পিটিস্নর মশাসু ইন্সপেক্টরদা প্রমোসন পীখিবা অসিদা য়াওহল্লন্স্ফম থোকই। মরমদি প্রমোসন পীখিবশিং অসিদা মহাক মশাগা মান্নবশিং য়াওরি। দিপার্টমেন্ট অসিগী লৈরিবা রিক্রুটমেন্ট রুলসকী মতুংইন্না পুলিসকী সব-ইন্সপেক্টরশিংগী ইন্সপেক্টরদা প্রমোসন পীবগী থবক অসি টেন পর্সেন্ট আউট ওফ টর্ন ক্বোতাদা মখোয়গী এচিভমেন্টশিং অমসুং মেদলশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা পীগদবনি হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক পিটিস্নর মশানা ফংখিবা মেদলশিং অমসুং এৱার্দশিংদি নাথৈদুনা থল্লল্লগা অতোপ্পশিংনা ফংনখিবা মেদলশিংবুনা রুলগা চানদনা গ্রেদিং তৌরগা প্রমোসন পীবা য়াওখ্রে হায়বসিনি। থৌওং অসি কেস অসিগী প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্টশিং অসিগী মীচঙদা হকথেংননা লৈবগী ময়েক লারবা খূদমনি হায়রি।

মরমশিং অসিনা চৎলিবা কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ২৫দা স্পেসল সেক্রেটরি (হোম)না থোকখ্রিবা সব-ইন্সপেক্টর ৫২বু ইন্সপেক্টরদা প্রমোসন পীবগী ওর্দর অসি চৎনহনবীগনু। কেস অসিগী ওফিসল রেস্পোন্দেন্টশিং অসিদা পিটিস্নর মশাবুসু ইন্সপেক্টরদা প্রমোসন পীনবা দিরেক্সন পীবীয়ু অমসুং পীখ্রিবা প্রমোসন অদুদা ইন্সপেক্টরগী পোষ্ট অমা রিজর্ভ তৌদুনা থম্বীয়ু হায়বসিনি।

কোর্টনা পিটিসন অসি লৌখৎলগা ঙসি লৈখিবা ভেকেসন কোর্টকী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা খন্নখ্রে। ঙসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ৯ দা লিষ্ট তৌখিবা কেস অসিগী মরক্কী ওইবা ৱায়েলদা করিগুম্বা হৌজিক পুলিসকী সব-ইন্সপেক্টরদগী ইন্সপেক্টরদা প্রমোসন পীনবগী দি পি সী পাঙথোকপা লৈরবদি কোর্ট অসিগী অয়াবা য়াওদনা দি পি সী অদুগী রিজল্ট লাউথোক্তনবা দিরেক্সন পীখ্রে। লোয়ননা কেস অসি ফেব্রুৱারী ৩, ২০২০দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবসু খঙহনখি। পিটিস্নরনা মহাক্কী পিটিসন অসি থা অসিগী ১৮দা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবনি।

কোর্টনা কেস অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল নাওরেম জেকসননা লেপখি।



EDUCITY TUTORIALS
Enlightened through Education
EDUCITY Nagamapal Lamabam Leikai & Tera Tongbram Leikai
Foundation Course for Class IX and X
From 15th December 2019 & 5th January, 2020 (5 months course)
4:30 - 7:30 (Morning & Evening)
Math, Eng./Sc./S.Sc./M.M.
General Foundation Course for Class I to VIII
From 5th January, 2020
Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)
7th Position
The mock tests series of EDUCITY help me a lot in preparing for the HSLC Exam. Through the tests, I got an opportunity to know my weaknesses and mistakes which is an important part of excel in the final exam. Indeed, EDUCITY is one of the best coaching centre which provides not only quantity but also quality education.
HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019
Scholarship available for brilliant students (from 85% and above)
Facilities -
50% off on 1st to 5th school position holders
50% off on disable students
30% off on sports person
50% off on Govt. School students
PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
AVAILABLE SEPARATE BOY'S & GIRL'S HOSTEL
LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
SPECIAL TEST
VAN FACILITIES
I to V - All Subjects (₹ 1,200 per month)
VI to VIII - Maths, Eng., Sc., S.Sc., Hindi/ MM (₹ 1,500 p/m)
Our Faculties are :
Maths : Sir Anil, Sir Subashchandra, Sir Wenliam, Miss Sushmita
Science : Sir Korou, Sir BK, Mad'm Pushparani
English : Sir R.K. Dimbajit, Sir Apoi, Sir Kiran, Miss Sushma
Social Science : Sir Robin Soibam, Mad'm Romita, Miss Linthoi
Manipuri : Miss M. Esther, Miss Preety
Hindi : Miss Nomita
For detail Please contact 9612 194500
Students Loan available for those students studying in our institution.
HL-B/5916/27-31dec/1-28jan

খাদি বোর্দনা শাবা এল ই দি বল্ব লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):

খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ, মণিপুরনা লমদমসিদা শাজবা অনৌবা ‘খাদি এল ই দি বল্ব’ মখল অমা পুথোকখ্রে। অনৌবা এল ই দি বল্ব অসি খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ, মণিপুরগী ভাইস চ্যেরমেন ওইরিবা য়ুম্নাম নিলামণিনা ৱাঙ্গোই বজারদা লোঞ্চ তৌখ্রে।

বল্ব লোঞ্চ তৌরদুনা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ, মণিপুরগী ভাইস চ্যেরমেন ওইরিবা য়ুম্নাম নিলামণিনা হায়খিবদা, অনৌবা এল ই দি বল্ব অসি খাদি বোর্দনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা মেজলাইফ কম্পনিগা খুৎশম্নরগা শাবনি। খাদি বোর্দনা শারিবা এল ই দি বল্ব অসিগী ক্বালিটি, ঙানবগী চাং অতে অচৌ-অচৌবা কম্পনিশিংনা শারিবা এল ই দি বল্বতগী তাবা নৎতে, মমলসু মখোয়দগী তঙ্খায় হন্থে। অনৌবা খাদি এল ই দি বল্ব অসি অহানবা ওইনা ঙসিদগী ৱাঙ্গোই বজারদা লৈবা কে এস ইলেক্ট্রোনিক্সতা ফংহনবা হৌরে। বল্ব মখল অসি অতে দিষ্ট্রিক্টশিংদসু মেন্যুফেকচরিং য়ুনিট, সেলস আউটলেটনচিংবা হাংদোক্তুনা লম্বী থোং ফৎত্রবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা খুলশিংদা অহোংবা মমলদা ফংহন্নবা হোৎনরি।

এল ই দি বল্ব অসি মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা ফংহন্নবা হোৎনবদা ভার্তিয়া মজদুর শঙ্গ, মণিপুর য়ুনিৎকী থৌমীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়না ফোঙদোকখি। লাইরিক হৈরগা থবক ফংদনা লৈরিবা নহারোল কয়াগী শেনমিৎলোন ফাগৎহন্নবা হোৎনবদা খাদি বোর্দনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা নিলামণিনা মখা তানা হায়রি, মণিপুরগী য়ুমথোং খুদিংদা তঙাইফদনা শিজিন্নরিবা এল ই দি বল্বশিং অসি লৈনবা হোৎনবদা ষ্টেটসীগী য়াম্লবা শেনফম মপানদা হুন্দোক্লি। হৌজিক্তী লমদমসিদা মশানা শাজবা এল ই দি বল্ব অসি মীয়াম্না পূক্নিং থৌগৎপীদুনা পাক শন্না শিজিন্নবীরবদি ষ্টেট অসিগী অচৌবা ইকোনোমি অমা কনবা ঙম্লগনি অমসুং থবক ফংদবা মীওই কয়াসু থবক পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

খাদি বল্ব অসি মখল ৫ থোক্ল া হায়বদি ৱাট ৫, ৱাট ৭, ৱাট ৯, ৱাট ১২ অমসুং ৱাট ১৫দা পুথোক্লি। লমদমসিগী ইকোনোমি ফগৎহন্নবগীদমক মীয়াম্না ইরমদমগী পোৎলমশিং শিজিন্নবা হৌরসি অমসুং খাদি বোর্দনা পুথোক্লিবা অনৌবা বল্ব অসি শিজিন্নবীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তানা অপিল তৌখি।

ইরং থোং লানবা য়াদ্রে, ওইল...

লামায় ১গী মখা... ভোল্যুমগা য়েংনবদা মতমগা চুনবা হায়বদু ওইদ্রে। মণিপুর লৈঙাক্লা লম্বী-থোং ফহন্ননবা চীন্দা কন্না লাউরবসু থবক ওইনা পায়খৎপীদবনা দ্রাইভরশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। বরাক অমসুং মক্রুগী আর সী সী ব্রিজ শাননবা মখোঙ হৈরল্লগা হৌজিক থোং অনী অসি শাবগী থবক লেপ্পুনা লৈরি। হায়রিবা আর সী সী ব্রিজ অনী অসিসু অথুবা মতমদা শাবা লোইশিনবীননবা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা বরাক, মক্রু অমসুং ইরংগী থোং অসি অদুক্কী মতীক ফৎত্রে। থোংশিং অসিদা থারিবা উবাকশিং অসি খামদেকপগা লোয়ননা তেক্লে। উবাক্কী মখাদা ফারিবা য়োৎশিংসু তায়নফম নৎত্রগা শৌফমদা তৎপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। থোং অহুম অসিগী উবাক পূম্নমক নৌনা শিন্দোকপা মথৌ তারি। নেসনল হায়ৱে নম্বর-২সু নাগালেন্দগী এরিয়াদা লম্বী পাকথোকপগী শেম-শাবনা মরম ওইরগা গাড়ী চৎপদা খূদোংচাদবা মায়োক্লবনা মণিপুরগী পোৎ-পুবা গাড়ী অয়াম্বা লম্বী অসিদা চৎনদ্রে। নেসনল হায়ৱে নম্বর-২দা চৎলম্বা গাড়ীশিং অদুসু ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা চৎলবনিনা বরাক, মক্রু অমসুং ইরং থোংগী ফীভম অসি ফনা থম্ননবা লৈঙাক্লা হোৎনবা মথৌ তাই। হৌজিক য়াদনা লৈরিবা ইরং থোং অসি শেম্ননবা হোৎনবদা নুমীৎ ২/৩ চঙলবা য়ানা লৈরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়নসু দ্রাইভরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী তিলহৌ কেজি ১দা লুপা ১২০...

লামায় ১গী মখা... মীৎয়েং চঙলি হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলগা তিলহৌগী মমল অসিসু লৈঙাক্লা লেপ্পগী মতম ওইরে। লল্লোনবশিংনা লৈবাক অসিদা তিলহৌগী মমল হেনগৎলে হায়বগী খূদোংচাবা লৌরগা ষ্টেট অসিদসু মখোয়না য়োন্নিং-য়োন্নিংবা মমলদা য়োল্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়নসু মায়কৈ কয়াদগী পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লরক্লি।

ইন্দিয়াদা তিলহৌগী অৱাৎপা লৈরে হায়দুনা টর্কি, ইজিপ্ট অমদি অফঘানিষ্টানদগী তিলহৌ কয়া পুশিল্লক্লবসু মমলদি হন্থবগী মতৌ উদ্রি। কঞ্জ্যুম্মর এফ্যের্স মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কোলকতাদা তিলহৌ কে জি অমগী মমল লুপা ১২০ পীরি। দিল্লিদনা লুপা ১০২ অমসুং চেন্নাইদনা লুপা ৮০ পীরে। সিটি অয়াম্বদা তিলহৌ কে জি অমগী মমল লুপা ১০০ য়ৌরকপগা লোয়ননা ইটানগরদদি কে জিদা লুপা ১৫০ য়ৌরে হায়রি।

মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, মপান লৈবাক্তগী ইন্দিয়াদা পুশিল্লকপা তিলহৌ থুংলবা হৌরে। হৌজিক ফাওবদা তিলহৌ টন ১,১৬০ থুংলরে। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা তিলহৌ টন ১০,৫৬০ থুংলরগনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা টর্কি, ইজিপ্ত অমসুং অফঘানিস্তানদগী তিলহৌ মখল অনী লৈখিবনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা তিলহৌ টন ১,১৬০ মুম্বাইগী হিথাংফমদা থুংলরে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। লৈঙাক্কী মহুৎ শীল্লগা মপান্দগী তিলহৌ লৈরিবা এম এম টি সিনা হৌজিক ফাওবদা তিলহৌ টন ৪৯,৫০০ মপানদগী পুশিল্লক্লবা পান্দম থল্লি হায়রি।

SINGJU FESTIVAL 2020
STALL FORM THABA HOUJARE

Singju Yokhatpa Lup (SYOL), Manipurgi mityeng makhada *Singju Festival Committee*na chahee khuding-gi sinduna lakliba **5th SINGJU FESTIVAL 2020** lakliba **December 28, 2019 dagina Januarygi cheichat 6, 2020 phaoba numit 10** ni chupna Thoubal Districtki Wangjing Tentha Assembly Constituencygi manung channa leiriba District Sports Complex, WANGJING KODOMPOKPI GROUND da pangthoklagani.

"SAVE OUR INDIGENOUS FOOD, CULTURE AND INTEGRITY" haiba wakhallon (Theme) ashigi makhada pangthokkadouriba Festival ashi **Wangjing United Club**ka khutsamnaraga pangthokchagani.

Festival ashida tongan tonganba Singju Makhalsing, Chinjak makhalsing, Khut sha heibagi pot-thoksing, Leitenggi oiba potlamsing amadi miyamgi pukning chingsinningai oiba potlamsingtagi oiba stall 100 rom hangduna thamgani.

Form Available :-
I. **Ipak Offset Press,** Keishamthong Hodam Leirak Machin, Tiddim Road, Imphal
II. **Smart Security Service,** Athokpam Khunou, Opposite District Hospital, Khangabok
III. **District Sports Complex,** Kodompokpi Ground, Wangjing
IV. **Priyo Pharmacy,** Kakching.
Form Rate : Rs. 100/- (only)
Stall Fee : Rs. 6,000/-
Last date of Form Submission : 27th Dec. 2019
Official Contact No. 8258940090/9862924454/7085806436
HL-P/5576/24-27

S3
STEP TO SURE SUCCESS COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR
FOUNDATION COURSE FOR CLASSES VI TO VIII AND IX TO XII
Class starting from 26th Dec. 2019, 6th Jan. and 13th Jan. 2020
Class timing – (i) 5 am to 8 am (During vacations)
(ii) 2 pm to 5 pm
(iii) 4 pm to 7 pm
- **Revision Class for X and XII**
Class Commencing from 23rd Dec. and 6th Jan. 2020
Class timing – (i) 5 am to 8 am
(ii) 10 am to 1 pm
(iii) 2 pm to 5 pm
(iv) 4 pm to 7 pm
- **Revision Class will focuss on scoring high marks based on CBSE, BOSEM and COHSEM exam. pattern. Analysis of prev. questions.**
- **Day boarding specially for exam. appearing students in 2020.**
- **Van Service and Hostel for both Boys and Girls.**
- **Sunday test series.**
For more details please contact # 9856331259
HL-P/5692/22,23,24,25,27,28,29,30,31 dec 2019 & 1,3,4,5,6,8 jan 2020

KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
SPOKEN HINDI
& COMPUTER INSTITUTE
Daily Junior Classes (V to IX) Begin
SIR NAOBI LOITONGBAM
19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)
English Course + Free 1 mth. Computer Course
For : Students, College Students, Businessmen, Housewives, Office Goers, Air Hostess Aspirants, Teachers, Entrepreneurs, Senior Citizens, etc.
COMPUTER COURSES :
DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing HTML Programmings, Data Entry, etc.
Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6am to 9am
7005622203, 7005665814
Venue : GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER, Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane
HL-B/5906/23/12to19/02